পাঙথোক্লরোই

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): নবকুমার মেমোরিএল ট্রষ্টকী মেরিটোরিয়স এৱার্দ সেরিমোনি চহী অসিগী ওইনদি পাঙথোক্লরোই হায়না ট্রষ্ট অসিগী সেক্রেটরী বে কে নান্দেবমনা ফোঙদোরক্লি।

বি কেনান্দেবমনা ফোঙদোকখিবদা থৌরম অসি এ সী অসিগী ওইনদি মীওই লিশিং কয়া তিল্লক্নদবা ওইবনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা চৎনা কাংলোনশিং ঙাকপা ঙম্লোইদ্রা হায়বগী অকিবা লৈবনা থৌরম অসি পাঙথোক্তনবা লেপ্লবনি। খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এগী মীৎয়েং মখাদা ট্রষ্ট অসিনা চহী খুদিংগী এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপনি হায়নসু মখা তাখি।

GAS NEWS

CANCHI SERVICE INDANE
Booking Upto : 19/06/2020
Valid From : 10/06/2020
19kg Stock Available
Timing : 08.00am to 10.00 am
FOR HOME DELIVERY
CONTACT : KWAKEITHEL
6909634960 & 8794191632 ,
NAOREM LEIKAI 7085732827

HRANGCHAL GAS AGENCY
Booking Upto : 04/07/2020
Valid From : 30/06/2020
Booking Only : 03852444677
Enquiry Only : 9436280866
Timing : 07:30am to 11:00am

IMPHAL L.P.G. SERVICE
Booking Upto : 11/07/2020
Valid From : 10/06/2020
Serial no. : 11841
5kg available
Delivery and payment at
Heinoupok office
Time : 8:00 am to 11.30 am
Contact number 6009392991
For WhatsApp booking type
REFILL and send to
7588888824

JEMON GAS SERVICE
SINGJAMEI CHINGAMATHAK
Booking Upto : 28/05/2020
Valid From : 10/05/2020
Stock : 306
Time : 8:00am to 11:00 am
Home Deliver on for Whatsapp
only 9436039984

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking Upto : 25/06/2020
Valid From : 19/06/2020
Time : 7:30am to 11:00am
Gas booking counter open at
Tera Bazar Office
Time : 8:00am to 12:00noon

M M GAS SERVICE
Booking Upto :15/06/2020
Valid From : 11/06/20
Stock : 669 (DBTL ONLY)
Time : 7:00am to 12:00 noon

MAHALAKSMI INDANE GAS
Booking Upto : 27/06/2020
Booking Sl. Upto : 301511
Valid From : 22/06/2020
For home delivery Contact
Timing : 10:00am to 12:00noon
9862312969, 8414929709
Booking : After 15 days from
delivery.

MAIBIA GAS MOIRANG
Booking Upto : 16/05/2020
Valid From : 13/05/2020
Stock : 306
(HOME DELIVERY SERVICE),
CONTACT NOS. :
1.DILIP - 9612883295
(MOIRANG A/C).
2. AJAY - 7005667570
(THANGA A/C),
3. ROJEN - 8787381746
(KUMBI A/C).
Booking Contact No.:
7085972248.
Timing : 8:00am to 12:00noon

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto : 17/06/2020
Valid From : 17/05/2020
Home Delivery Only
Contact Nos. 8730954041,
8259969582
Call Timing: 7.30am –11.00am

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
Booking upto : 20/04/2020
Valid from : 18/04/2020
Sl.No. - 51
Time: 11:00am to 2:00pm
Any enquiry and booking
Contact No. 7629045883

M/s MISAO GAS SERVICE
Booking Upto : 30/06/2020
Valid From : 17/06/2020
19kg Available
ONLY HOME DELIVERY
For Delivery Service Please
Contact : 7085738631 or
8119967523
Call Timing : 8:00am to 2:00pm

M/s BASHIKHONG INDANE
Booking Upto : 04/06/2020
Valid From : 30/05/2020
HOME DELIVERY ONLY
Contact no: 9089709738,
7005204180, 8787566191
Office Time: 8.00am to 11:00am
Will be delivered for 3 days

HIYANGTHANG INDANE
Booking Upto : 07/06/2020
Sl. No. Upto : 200
Valid From : 03/06/2020
Timing : 7:30am to 10:00am

M/s KHURKHUL HEIKHAM INDANE
Customers having Booking
From : 05/07/2020 to
08/07/2020 are requested to
contact 8974961402 during
9:00am to 2:00pm

KHUMBONG INDANE
Booking Upto : 19/06/2020
Valid From : 18/06/2020
Home delivery contact nos.:
7005771527, 9774679422
Time : 7:30am to 10:00am

EREICHA INDANE GRAMIN VITRAK, LILONG
Booking Upto :- 01/06/2020
Valid From :- 12/05/2020
Stock :- 306
Delivery Date : 16/06/2020
Working Hours 7:00am to
10:00am, Home Delivery &
Inquiry. 03852434026.
SMS BOOKING: IOC<Space>
03852434026 <Space>
Consumer No. Send to :
9089024365.
(Booking after 15 days from
delivery)

Important Phone Nos.

RIMS	- 2414478
J.N. Hospital	- 2450385
DG Control	- 2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	- 101
Moirang	- 8415925197
Churachandpur	- 8415925191
Thoubal	- 8415925203
Kakching	- 8415925194
Jiribam	- 8415925193
Mayang Imphal	- 8415925196
Bishnupur	- 8415925190
Moreh	- 8415925198
Kangpokpi	- 8415925195
Ukhrul	- 8415925205
Senapati	- 8415925199
Chandel	- 8415925192
Singhat	- 8415925201
Sugnu	- 8415925202
Yairipok	- 8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	85.860912
US Dollar	75.082295
British Pound	94.818728
Australian Dollar	52.788061
Chinese Yuan Renminbi	10.745273
Japanese Yen	0.703149
Malaysian Ringgit	17.614203
Singapore Dollar	54.092799
South Korean Won	0.062562
Saudi Arabian Riyal	20.021945
Thai Baht	2.383155
Myanmar Kyat	0.05442
Bangladesh Taka	0.88556

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	– Rs	49272.00
Mumbai	– Rs	49246.00
Delhi	– Rs	49170.00
Kolkata	– Rs	49088.00

‘নহাশিংবু স্কিল দিভলপমেন্ট পুরক্নবা হোৎনবদা ওজাশিংসু অনৌবা ট্রেনিং পীবা চঙই’

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): হোংলক্লিবা চাওখৎ লমজেল অসিদা নহাশিংবু স্কিল দিভলপমেন্ট পুরক্নবা হোৎনবদা ওজাশিংদসু অনৌ অনৌবা ট্রেনিং পীবা চংই হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

তাকয়েলদা লৈবা আই টি আইগী নেসনল স্কিল ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট এক্সটেন্সন হাংদোকপগী প্রোগ্রামদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রাধেশ্যামনা হায়খি, ঙসি হাংদোক্লিবা সেন্টর অসি স্কিল দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরকপগা লোয়ননা ওনলাইনদসু চথবা য়ারে। মণিপুরগী নহা ওইরিবশিংদা হেন্না কান্নবা ফংলগনি। চাওখৎপগী অহোংবা কয়া অসি ওজাশিংনা মমুৎ তানা খঙনবগীদমক ট্রেনিং পীবা চংই। ওজাশিংনা অনৌবা ৱাখল লৌশিং কয়া খঙলগা ট্রেনিং পীগদৌরিবনি। ট্রেনিং অসিদা শুনিং-নোম্নিংবা নহাশিং য়োকখৎনবগী পান্দম থল্লি। মীৎয়েং অসিগা লোয়ননা ইন্সটিট্যুট অসি হাংদোকপনি।

ইন্দিয়াদা নহাগী মশিংনা য়াম্মী। মণিপুরদসু হৈনিংবা কয়া লৈরি। নেসনল স্কিল দিভলপমেন্ট সেন্টর ৩১ রোম লৈ। মসিগী মনুংদা অৱাং নোংপোক লমগী আগরটালা, মেঘলয়াদা লৈখ্রে। মণিপুরদসু হাংদোক্লবা য়াবিরকখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্তা হাংনবা হায়বনি। আই টি আইদা হাংবা অসিসু মতম খরদি লৈখিগনি। হান্না লৈরম্বা ওজাশিংসু অপগ্রেট তৌনবা হোৎনবা তাই। অনৌবা লৌগদবা ওজাশিংসু ট্রেনিং তৌরবশিং ওইনা লৌগনি। হান্নগী অরিবা দিভলপমেন্ট ঙম্লোইদবা ফিভমদা লৈতনবা অনৌবা কয়া অমা চংশিনবা তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

নেসনল স্কিল দিভলপমেন্ট ইন্সটিট্যুট হাংদোকপা অদুগা মরী লৈননা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা ৱারি শান্নখি। কনফরেন্স অদুদা স্কিল দিভলপমেন্ট এন্দ ইন্টরপ্রেনিয়রসিপকী মিনিষ্টর ডা. মহেন্দ্রনাথ অমদি মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ ফোর পাৱর এন্দ রিন্যুএবল ইনর্জিগী মিনিষ্টর রাজ কুমারসু শরুক য়াখি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মেসেজসু থাদোক্তুনা পামিন্নখি।

থৌরম অদুদা আই টি আইগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। ইন্সটিট্যুট অসিগী মরমদা অখঙ-অহৈ কয়ানা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি। স্কিল দিভলপমেন্টতা তঙাইফদনা চংগদবা ৱাখল্লোলশিংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া থমখি।

‘পোজিটিভ মশিং লৈঙাক্কী দেটাদগী হেল্লম্বা য়াই’

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): লৈবাক্কী ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশিং অমদি শিখিবা মশিং অসি লৈঙাক্না পীরিবা দেটাদগী হেল্লম্বা য়াই হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল সী পি আইগী সেক্রেটরী এল সোতিনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯না লান্দারকপা অসি নুমিৎ ২১নিগী মনুংদা মায়থীবা পীবা ঙমগনি হায়না মীয়ামদা খঙহন্দুনা লোকদাউন তৌখি। মতমদুদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশিং ৫৬৪ ওইরম্বদগী ঙসি ফাওবদা পোজিটিভ ওইবা লাখ ৯ হেল্লক্লিবা অসি লোকদাউননা কোভিদ-১৯ মায়থীবা পীনবা অখন্নবা লালোং মখলশিং পুথোক্লবা হোৎনবা ৱাৎপদগীনি হায়বা খঙবা ঙম্লি। লুরবা তানফম অসিদা পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্না পুন্না খন্নফম থোকপনি।

বি জে পিগী দিজিটেল প্রোপেগন্দা গ্রুপনা কোভিদ-১৯দগী ফরক্লবশিংগী মশিং ৱাংখৎলক্লিবা অসি প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী হোৎনজমননি হায়না মীয়ামদা পাউথোক্লবসু কোভিদ-১৯দগী শিবা মশিং অমসুং পোজিটিভ ওইবা মশিং অসি য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা পীবা রিপোর্টতগী খেন্নবা লৈরমগনি হায়বসি সী পি আইগী থাজবনি। জুনদা দিল্লিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী শিখিবা মশিংদগী পোৎলোইখিবনা হেল্লি হায়না সোসল মিদিয়াদা ফোঙদোক্লরকখি হায়রি।

ভি দি এফশিং ষ্ট্রাইক চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌরে : এসোসিএসন

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): লৈঙাক্কী পোজিটিভ রেস্পোন্স ফংদবনা ভি দি এফশিং ষ্ট্রাইক চংশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরী এস ঐচ সঞ্জিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা ভি দি এফ ১০,০৫০না মতম মতমগী লৈঙাক্তা দিমান্দ কয়া তান্দুনা লাক্লি। হৌখিবা থাদা থাখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না জুলাই ১৫ ফাওবগী মনুংদা পাল্লিবা লৈঙাক্তগী ভি দি এফশিংগী পোজিটিভ ওইবা রেস্পোন্স ফংদ্রবদি মথংগী নুমিৎতগী খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না খঙহনবা লৈখ্রবনি। হৌজিক ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা মখল অমত্তগী ইনফোর্মেসন পীরক্তবনা মরম ওইরগা হয়েংদগী ভি দি এফশিংনা ষ্ট্রাইক চংশিন্নবা লেপ্লরে।

এসোসিএসন অসিগী কম্মিতিগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী কম্মিতিগী মীফম অমা ইম্ফালগী মফম অমদা ফম্মিন্নদুনা ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা ভি দি এফশিংগী চার্টর ওফ দিমান্দ য়াওবা মেমোরেন্দম কোপি অমা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি সী এমদা সমিট তৌখ্রে। মণিপুরদা লৈরিবা ভি দি এফশিংনা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা চহী ১২ হেন্না থৌদাং লৌরক্লি। কোভিদ-১৯গী লান্থেংনবা অসিদসু ভি দি এফনা থৌদাং লৌরি হায়রি।

চৎনা কাংলোন ঙাক্নবা য়েংশিনখ্রে...

লামায় ১গী মখা... মাস্কনচিংবা শীজিন্নগদবনি। বসশিং অসিদা চৎনা কাংলোনশিং অসি ঙাক্নবা য়েংশিনবনি। তোংলিবা মীওইশিংনসু চৎনা কাংলোন ঙাক্না চৎপীয়ু। বস থৌরিবা মীওইশিংনসু চৎনা কাংলোনশিং ঙাক্নদবনি। কোভিদ-১৯গী লুরবা মতম অসিদা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয় খুদিংমক্না চেকশিনমিনবা তঙাইফদে। বস সার্ভিস তৌবা মতমদা চৎনা কাংলোনশিং অসি ঙাক্ননবা য়েংশিনবনি হায়নসু মখা তাখি।

কোভিদ-১৯ : কেস মশীং ১৭০০...

লামায় ১গী মখা... অসিদগী অপূনবা কেস ২১৩ থেংনখিবগী মনুংদা ১২২না ফগৎলগা ৯১না এক্টিভ ওইরি। তমেংলোংনা কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্না থেংনবা অনীশুবা দিষ্ট্রিক্ট ওইরি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা অপূনবা কেস ২০৩ থেংনবগী মনুংদা কেস ৯৮না ফগৎখ্রগা ১০৫না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইবা কেস মশীংদনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টনা খ্বাইদগী মাংজিল থানা লৈরি। সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টনা কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা অহুমশুবা দিষ্ট্রিক্ট ওইরি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অপূনবা কেস ১৮১ থেংনবগী মনুংদা ৮৩না ফগৎলগা ৯৮না এক্টিভ ওইরি। বিষ্ণুপুরগী অপূনবা কেস ৮১গী মনুংদা ৭৫ ফগৎখ্রগা ৬না এক্টিভ ওইরি। চান্দেলগী কেস ৩৯গী মনুংদা ১৬না এক্টিভ ওইরগা ২৩না ফগৎখ্রে। চুড়াচান্দপুরগী কেস ১৫৮গী মনুংদা ৪১না এক্টিভ ওইরগা ১১৭না ফগৎখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী কেস ৬০গী মনুংদা ৩৬না ফগৎলগা ২৪না এক্টিভ ওইরি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী কেস ১৪০গী মনুংদা ৮৪না ফগৎলগা ৫৬না এক্টিভ ওইরি। জিরিবামগী কেস ৬৫গী মনুংদা ৪২না এক্টিভ ওইরগা ২৩না ফগৎখ্রে। ককচীংগী কেস ১০৮গী মনুংদা ৬৫ ফগৎখ্রগা ৪৩না এক্টিভ ওইরি। কামজোংগী কেস ১২৭কী মনুংদা ৬৬না এক্টিভ ওইরগা ৬১না ফগৎখ্রে। কাংপোকপীগী কেস ১৭১গী মনুংদা ৯২না ফগৎলগা ৭৯না এক্টিভ ওইরি। নোনেগী কেস ২৫গী মনুংদা ২২ ফগৎখ্রগা এক্টিভ কেস ৩ খক্তমক ঙাইহৌরে। ফেরজেলগীসু কেস ৩২গী মনুংদা ২৯ ফগৎখ্রগা এক্টিভ কেস ৩ খক্তমক লৈহৌরি। তেংনৌপলগী কেস ১৪গী মনুংদা ১৩ ফগৎলগা এক্টিভ কেস ১ খক লৈহৌরি। থৌবালগী অপূনবা কেস ৮৩গী মনুংদা ৪৬না ফগৎলগা ৩৭না এক্টিভ ওইরি হায়রি।

এন্টি রিপ্রেসন দে থৌরম...

লামায় ১গী মখা... অদুদা শরুক য়াখিবী লৈখিদ্রবী মুতুম ইবেমহল অমসুং লোইতাম ইবেতোম্বীগী শক্তমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা হায়খি, কুমজা ২০০৪দা থাংজম মনোরামা হাৎখিবগী থৌদোক, কুমজা ২০০৯দা রবিনা অমসুং সঞ্জিৎ হাৎখিবগী থৌদোক পুৱারীদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগদবা থৌদোকশিংনি। মসিদসু নৎতনা এনকাউন্টরনি হায়বা থৌদোক কয়াদা মীচম কয়া লৈখিদ্রে। ব্লেক লো ওইরিবা অফস্পাগী মরুমদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা চথখিবা থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা ইমা ১২না লৌখিবা ফিরেপ অসি অরাইবা নত্তে। ইমা ১২না চঙশিনখিবা খোঙজং অদুনা লমদমসিদা চথরিবা মীওৎ-মীনৈশিং অদু খঙহনখিবনি। ইমাশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুনা এসেমব্লি সেগমেন্ট তরেৎতগী অফস্পা লৌথোকখিবনি। হৌজিক-হৌজিক ফেক এনকাউন্টরনি হায়রিবা থৌদোকশিংগী ভিক্টিম ওইহৌরবশিংগী জষ্টিস ফংহনবীয়ু। জষ্টিস ফংননবা ঐখোয়সু মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈসি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক দিলিমিটেসন তৌগনি হায়রিবা অসি কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা য়ূম্ফম ওইরগা তৌবা য়ারোই। অরানবা সেন্সসতা য়ূম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবগী থবক লেপকদবনি। ২০২১গী সেন্সসতা নীংথিনা আধার লিঙ্ক তৌরগা দিলিমিটেসন তৌবীয়ু হায়বসি মণিপুর মীয়ামগী ফিরেপনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা হ্যুমেন রাইটস এলর্ট (ঐচ আর এ)গী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর বব্লু লোইতোংবম, নুপী সমাজগী এদভাইজর কৈশাম তরুনী, প্রসিদেন্ট থোকচোম রমনী, তম্মী-চীংমীগী প্রসিদেন্ট সোইবম মোমোন লৈমা, নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট য়ুম্লেম্বম মেন্মা, অমকিলগী ভাইস প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম ঙানবী, য়ুনিভর্সেল মাদরস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম সোরোজিনী, নুপী সমাজগী ভাইস প্রসিদেন্ট সী ঐচ যামিনী, অমকিলগী সেক্রেটরি জেনরেল লাইশ্রম গ্যানেশ্বরী অমদি তম্মী-চীংমীগী জোইন্ট সেক্রেটরি অঙোম জিবনমালাসু শরুক য়াখি।

সী এম মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোকউ, লুখোসৈ...

লামায় ১গী মখা... এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা হায়খি, লুখোসৈ জৌগী কেস অসি য়াম্না অচৌবা কেস অমা ওইবনা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি। ষ্টেট পুলিসতা শিন্নবদা থাজবা লৈতে। সী বি আইদা শিন্নগদবনি। চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোকফম থোক্লে। লুখোসৈ জৌগী কেসকা মরী লৈনবা ৱাফম অমা হন্দক্তা পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। লৈঙাক অসিনা তরাইনা লৌফম থোক্তে। ৱার এগেনষ্ট দ্রগকী ৱাহন্থোক লৈনা থবক্তা ওন্থোকউ। হান্নগী এ দি সী চ্যেরমেন লুখোসৈ জৌগী দ্রগকী কেস অসিদা হেরোইন কে জি ৪ হেনবা অমদি য়াল্লবা শেনফম ফাবগী ৱাফম লৈখ্রবনি। মসি তরাইনা লৌবা চুম্লোই। ষ্টেটসিদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা দ্রগকা মরী লৈনবা কেস কয়া সী বি আইদা শিন্নখি। পল্লেলগী দ্রগ কেস অমদি এয়রপোর্টকী কেসনচিংবা কয়া অমা সী বি আইদা শিন্নদুনা ইনভেষ্টিগেসন চথহনখিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনগী সিল নম্বা অঙৌবা চেজেৎ...

লামায় ১গী মখা... তোংলকই হায়না চ্যেক তৌরমখি। মোইরাংদা থবক অমা চৎলুরগা হল্লকপদা খরা থেংখিবদগী মীওইশিং অসিনা তোংলকপা কার অদুসু মফম অদুদা পুলিসনা খাল্লকখি। পুলিস পর্সনেলশিংগী মায়কৈদগী কর্ফিয়ু পাস য়াওরকপ্রা হায়না হংবদা য়াওরক্তে হায়বদগী চলান অমা কক্লনবা খঙহল্লকখি। চলান কক্লবা চঙশিল্লুবদা বিষ্ণুপুর পি এসকী সিল নম্বা অঙৌবা চেজেৎ অমদা পুলিস ওফিসর অমনা খূৎয়েক পীদুনা অমদি তারিখ থাদুনা ফাইন ওইনা লৌরিবা লুপা ২০০ অদু ইরগা চলান ককপগী রিসিপ্ট অদু পীরকখি। মফম অদুদা অঙম-অথৌশিংগী গাড়ী মানবা খরদি পুলিসনসু খামহন্দনা চৎহনখি। পুলিস পর্সনেলশিং অদুনা খামনিংবা গাড়ী খরা খাল্লগা খরবুনা খামদনা থাদোকখিবগী মতৌসু থেংনরকখি হায়না ফোঙদোরকখি।

ইম্ফালদগী মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা, থাঙ্গদা মহাক মশা য়াওনা মীওই ৫ স্বিফট কার অমদা তোংদুনা চৎলুরবা মতুং হল্লকপদা বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসন মমাংদা পুলিস পর্সনেল খরনা গাড়ী অদু খাল্লক্তুনা এস ও পি ঙাক্তে, মী হেন্না তোংই হায়বগীদমক ফাইন ওইনা লুপা ২০০ লৌখি। অদুগা বিষ্ণুপুর পি এসকী সিল নম্বা অঙৌবা চেজেৎ অমদা ফাইন ওইনা লৌরিবা শেনফম অদু ইবগা লোয়ননা তারিখ থারগা পুলিস পর্সনেল অমনা খূৎয়েক পীদুনা রিসিপ্ট পীরকখি।

পুলিস পর্সনেলশিংনা ফাইন লৌহৌবা অদুদা শাউনিংবদি লৈতে। লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু থুগায় নৎত্রগা এস ও পি ঙাক্তে হায়বগীদমক ফাইন লৌহৌবনি হায়না অদুম্মক খন্দোকপদা অকায়বা লৈতে। তৌবতবু পুলিসশিংনা ফাইন ওইনা লৌরিবা শেনফম অদু কাঙলোন চুম্না ট্রেজরি রিসিপ্ট (টি আর ৫)তা নীংথিনা কার্বোন পেপর থাদুনা চলান কক্লম্লবদি থীরল্লিবা ফাইন অদু লৈঙাক্তা কাবনি হায়না খনবসু য়াবনি। অতোপ্পা মফমশিংদা পুলিসনা লোকদাউন, কর্ফিয়ু থুগায়বা অমদি এস ও পি ঙাক্তবশিংদগী ফাইন লৌবদদি কাঙলোন চুম্না টি আর ৫ কক্লি। অদুগা বিষ্ণুপুর পুলিসনা টি আর ৫তা নীংথিনা চলান ককপগী মহুৎতা চে মতৎ অমদা পুলিস ষ্টেসনগী সিল নম্লগা ফাইন লৌবগী চলান কক্লম্বা অসিমক্তি মীয়াম্না পেন্নিংঙাই ওইদে। মীয়ামদগী ফাইন ওইনা খোমগৎলিবা শেনফমশিং অদু পুলিস পর্সনেল খরগী ফূরিৎখাউদা চঙলব্রা হায়বগী চাওনা চিংননিংঙাই ওই। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক অমসুং মরী লৈনবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা কাঙলোন চুম্না থবক চথহন্ননবা হোৎনহনবীয়ু হায়নসু মীওই অদুনা পাউচে অসিদা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

দেপ্যুটি স্পিকর...

লামায় ১গী মখা... সেক্রেটরি অমদি থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

চীংঙাই এ সীদগী কারন্বা হান্নগী দেপ্যুটি স্পিকর প্রেসো শিমরেনা আই এন সীগী প্রাইমারি মেম্বরশিপতগী রিজাইন তৌরগা বি জে পিদা য়াওবনি হায়বা ৱাফম থমখি। বি জে পিগী পূন্না চাউখৎমিন্নবগী ৱাখল্লোন অদুদা থাজবা থম্লগা পার্টি অসিদা য়াওবনি। আই এন সীদগী তোল্লগা বি জে পিদা য়াওদুনা মহাক্কী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীয়ামগী থবক তৌনবা মীৎয়েং থমগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

বি জে পি লেজিসলেচরশিংগী অপাম-পামদা...

লামায় ১গী মখা... মিনিষ্টরশিং, এম পিশিং অমদি এম এল এশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এম এল এশিংগী অপাম-পামদা অমদি নুংঙাইতবা লৈবা কয়া ফোঙদোক্লবগী মতম পীদুনা ফোঙদোকহনখ্রে। নুংথিল পুং ১ রোম তাবদগী পুং ৫ ফাওবা চথখিবা মীফম অদুদা বি জে পিগী লেজিসলেচরশিংনা মশা-মশাগী ওইবা মোতশিং ফোঙদোক্লখি।

মীফম অদু লোইরবা তুংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রো. টিকেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, ঙরাং চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা লেজিসলেচরশিংগী মীফম কৌদুনা খন্ন-নৈনখি। ঙসি মখা তানা এক্সটেন্দেদ মীটিং ওইনা লেজিসলেচরশিংগী ওইবা মীফম অসি কৌবনি। মীফম অসিদা বি জে পিগী লেজিসলেচর ১৭ অমদি এম পি ২সু শরুক য়াখি। মীফম অসিদা মিনিষ্টরশিং শরুক য়াবগা লোয়ননা এম এল এশিংনা ফোঙদোকপা ৱাফমশিংদা মখোয়-মখোয়গী মায়কৈদগী কদায় ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা য়াবগে হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকহনখি। লেজিসলেচরশিংগী মরক্তা নুংঙাইনদবা অমত্তা য়াওদনা য়াম্না ফ্লো নাইনা চৎমিন্নবগী খোঙথাং ওইনা মীফম অসি চথবনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা অসিনা অহুল্লকশুবা মীফমনি। মখা তানসু অসিগুম্বা মীফম পাঙথোক্তুনা বি জে পিগী লেজিসলেচরশিংগী মরক্তা ৱাখল্লোন তিন্ননা চৎমিন্নবগী তাঞ্জা লৌগনি।

ঙসিগী মীফমদা এম এল এশিংনা করি অপান্বা লৈবগে অমদি নুংঙাইতবা করি লৈবগে হায়বদু ফোঙদোক্লবগী তাঞ্জা পীখি। মিনিষ্টরশিংনসু এম এল এশিং অদুগী ৱাফমশিং তারবা তুংদা মখোয়-মখোয়গী লেভেলদা ঙম্বা থবকশিং খঙদোক্লখি। মপূং ওইনা ঙসি পাঙথোক্লিবা মীফম অসি বি জে পিগী পার্টি মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা মীয়ামগীদমক লৈঙাক অসিনা থবক তৌবদা য়াম্না নীংথিনা মায় পাক্না চঙশিনবা য়াননবা খন্নবনি। লেজিসলেচরশিংগী মরক্তা কোওর্দিনেসন লৈনবগা লোয়ননা লৈঙাক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা মীয়ামগীদমক য়াইফগদবা থবকশিং পায়খৎনবা খন্ন-নৈনবনি। মপূং ওইনা লৈঙাক অসিগী ৱর্ক ইফিসিয়েন্সি হেনগৎহন্দুনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংদা য়াঙশিন্নবা মীৎয়েং থম্বনি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী পার্টি ওর্গনাইজেসন অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক লেজিসলেচরশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদসু মীফম অদুদা খন্ন-নৈনখি। মপূং ওইবদি লেজিসলেচর খূদিংমক অমগা-অমগা মিসঅন্দরষ্টেন্দিং লৈনদনা, পূকচেল খোইজেল তিন্ননা থবক খূদিংমক য়াঙনা চৎনবা ৱাখল্লোননি। লৈঙাক হায়বসি মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবা অদুনি। লৈঙাক অসিনা থবক থৌদা কয়া পায়খৎপদা হেন্না মপূং ফানা চঙশিনহন্নবা খন্ন-নৈনবনি। এম এল এশিংনসু মাগী-মাগী লেভেলদা মীয়ামগীদমক থবক তৌনবা হোৎনরকপা মতমদা কোওপরেসন পীননবা খন্নবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

এম এল এ রঞ্জিৎপু থাগৎলক্লি...

লামায় ১গী মখা... ইচিল-ইনাওশিংনা চীংগী পোথাক কয়ামরুম তম্মীশিংদা তেংবাং পীরকপা লৈরি। তম্মীনসু চীংমী ইচিল ইনাওশিংদা অঙম্বা তেংবাং খুদোল তম্নবা কয়া অমসু উবা ফংলি।

শুগনু এ সীগী এম এল এ রঞ্জিৎনা মহাক্কী কেন্দ্র খক্তা নত্তনা থংনবা কেন্দ্র ওইরিবা হিয়াংলমগী মনুং চন্না লৈবা ৱাইখোং থোংজাও, কোমনাওগী য়ুমথোং ১১৬৫তা চেঙ কে জি ৫/৫, হৱাই মুশোরি কে জি অমমম থা অসিগী ১২দগী হৌরগা নুপী ময়াম অমদি ক্লবশিংনা য়েন্থোক্লি। এম এল এনা থা খরগী মমাঙদসু চান্দেল দিষ্ট্রিক্তা লৈবা খুল কয়াদা তেংবাং পোৎলম য়েন্থোকপা লৈখ্রে।

এম এল এ কে রঞ্জিৎ মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইবগী মতিক ময়াই চপ চানা চেনবা লুচিংবা অমনি। চীংমী-তম্মী খায়দনা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংবা লুচিংবা অমনি। দেম্মক্রেসিগী ৱাহন্থোক মপুং ফানা ঙাক্না চৎপা লুচিংবা অমনি। পোলিটিক্সতা হৈ-শিংবা, অশানবা মীৎয়েংদা মাং-তুং য়েংবা ঙম্বা লুচিংবনি। লুচিংবা অমগী মতিক ময়াই ৱাৎপা লৈতবনা শুগনু এ সীগী মীয়াম্না মণিপুর এসেমব্লী মীখলদা মঙারক থংনা থংননা থাগৎখিবনি। লুচিংবা অসি ইবুধৌ ৱাংবরেলগী থৌজাল ফংলবা লুচিংবা অমনি। মতম শাংনা মীয়ামগী থবক তৌদুনা লৈবীয়ু। অনা-অয়েক য়াওদবা, পুন্সি নুংশাংনা হিংবা পীনবীবা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

লৈশাবী ফূরুবনি হায়বা মীওই ২...

লামায় ১গী মখা... অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসননা ফারবা মীওই অনীদুগী মমিং তখেল্লম্বম জয়শন এলিয়স ননাও (২৫) অপোকপা টি জয় মৈতৈ, য়াইরিপোক তোপ চিংথা অমসুং মুতুম ঙানবা (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম গৌড়, য়াইরিপোক তোপ চিংথা লাইমনাই কৌই হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা নুমীৎতুগী নুংথিল পুং ৬.১৫ রোম তারকপদা ৱাঙ্খৈ লৌরেম্বম লৈকাইদগী লৌরেম্বম মনাওবীগী মচানুপী সরিতা (২২) না অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনদা তৌরখিবা রিপোর্টনা হায়বদা মহাক্না মহাক্কা লোয়নবা মীওই মরিগনা থৌদোক থোকফমসিদা কিহোম চারিঙৈদা মীওই অনীসিনা মরম অমত্তা লৈতনা মহাক্কী য়েৎ থংবা মায়গী শরুক্তা খূবাক্না থাদুনা ফূরকপগা লোয়ননা মশা পায়দুনা ইল্লকখিবনি হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না অন্দ্রো পি এসনা কেস এফ আই আর নম্বর- ৪৩ (৭) ২০২০ অন্দর সেক্সন- ৩৫৪/ ৩৪ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি হায়রি।

অদুগা থৌদোকসিদা চেন্নরিবা টি জয়শন এলিয়স ননাওনা ঙরাং নুংথিল য়াইরিপোক অজাদ টর্নিংদগী ফারগা এম ঙানবনা ঙসি অয়ূক য়াইরিপোক তোপ চিংথাগী সেক্রেদ হার্ট ইংলিশ স্কুল মনাক্তগী ফাবনি হায়রি। ফারবা মখোয় অনীমক ঙসি পুলিসনা থা অসিগী ১৭ ফাওবগী নুমীৎ হুম্নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস (জে এম এফ সী), ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা পুথোরকখিবদা কোর্টনা অয়াবা পীবদগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে হায়রি।

আর এন রবিনা এন এন পি জিগা ৱারী শানখ্রে...

লামায় ১গী মখা... লৈরক্লিবা ফাইনেল এগ্রীমেন্ট অসি ফাইনেলাইজ তৌবগী এক্সন প্লানসু পুথোকখ্রে। ৱারী শান্নবদুদা রবিগী মায়কৈদগী নাগালেন্দগী মাইনোরিটি ট্রাইবশিংসু পিছ প্রোসেস অদুদা য়াওহন্নবা তকশিল্লকখি। ফাইনেল এগ্রীমেন্ট অদু অথুবদা খূৎয়েক পীনরগনি অমসুং মায়কৈ অনীনা এগ্রীমেন্ট অদুগী ফোর্মেলিটিশিং লোইশিন্নবা কন্না হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা সোর্স অমনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা ২০১৯গী ওক্তোবর ৩১ দা নাকল অনীগী নেগোসিএসন লোইখিবনা ফাইনেল এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীননবা অতোপ্পা চহী অমমুক ঙাইনবগী মরম লৈত্রে। অদুনা নাকল অনীগী ফাইনেল এগ্রীমেন্ট অদু হৌজিক্তগী চয়োল খরা নৎত্রগা থা খরগী মনুংদা খূৎয়েক পীনরগনি। নেগোসিএসন চথরিবা অতৈ পার্টিগা ৱাফম খরা লৈখায় তানবগী মতম খরা পীনবসু মীফম অদুদা ইন্টলোক্যুটরনা হায়রকখি হায়নসু সোর্ছ অসিনা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা অনৌবা এজেন্দাদি খন্নখিবা লৈতে হায়রি। রবিনা চহী অসিগী জুন ১৬ তা চীফ মিনিষ্টরদা ইখিবা চেরোল অদুগী মতাংদদি খন্নবা লৈব্রা হায়না হংবদা খন্নখিবা লৈতে হায়না পল্লদুনা গভর্নর অমা ওইনা মহাক্না তৌখিবশিংদা ঐখোয়না করিসু হায়নিংঙাই লৈতে হায়না সোর্ছ অসিনা ফোঙদোকখি। ৱর্কিং কম্মিটিগী অতৈ মেম্বরশিংগী মনুংদা কো-কনভেনরশিং জোপ্রা ভেরা, কিয়ুমুকাম, হোজেতো জে চোফি, ইসাক সুমি, তোসি ৱালিং, অমদি কো-ওর্দিনেটর অলেজো ভেন্যু লোয়ননা মেম্বরশিং রাইতু চাৱাং, হোরাংসে শংতম অমসুং সেক্রেটরি ঘুকিহো টি ঝিমো য়াওখি।

অমরোমদা, নাগালেন্দগী গভর্ণরসু ওইরিবা আর এন রবিনা টি ঐচ মুইভানা লুচিংবা এন এস সী এন-আই এমগী মীহুৎশিংগা চয়োল অসিদা উনরবা য়াই হায়নসু সোর্ছশিংনা ফোঙদোক্লি।

এদিসনেল এস পি বৃন্দা, দি মোর্নিং বেলগী পব্লিশর অমসুং এদিটরগী...

লামায় ১গী মখা... ৱাকৎলক্লিবশিংগী মরম অসি ইংলিশ পাউচে অসিনা হায় কোর্টকী দিভিজন বেঞ্চ অসিমক্তদা থা অসিগী ১৩দা খন্নখিবা অতোপ্পা ক্রিমিনেল কন্টেম্পট কেস অমগা মরী লৈননা মসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১ (এদিসনেল এস পি, টি ঐচ বৃন্দা)গী মায়কৈদগী ফাইল তৌখিবা এফিদেবিট অমবু কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা মীয়ামদা ফোঙদোকই। ফাইল তৌরকখিবা এফিদেবিট অদু ক্রিমিনেল কন্টেম্পট কেস অদুগা হকথেংননা মরী লৈনবা কোর্টকী দোক্যুমেন্টনি। অদুবু এফিদেবিট অদুদা পল্লকখিবা ৱারোল পূম্নমক ফাইল তৌরক্লিবী রেস্পোন্দেন্ট মশাগী ওইবা ৱাফমনি। কোর্টতগী অয়াবা লৌরবা অমসুং কোর্টনসু অয়াবদু পীরক্লগদি মদুগী মায়োক্তা কাউন্টর এফিদেবিট ফাইল তৌবা য়াই। কোর্টনা নাকল অনীমক্কী ৱারোলশিং তারগা লোগী মতুংইনবা ৱায়েল চথগদবনি। অদুবু ইংলিশ পাউচে অসিনা কোর্টতগী এফিদেবিট অসিগী ‘সর্টিফাইদ কোপী’ (কোর্টকী অয়াবা য়াওরগা ওফিসল ওইনা লৌবা কোপী) লৌখিবসু লৈতনা অমসুং কোর্টকী মায়কৈদগী ‘রিপোর্টেবল আইটেম’ অমনি হায়দুনা ওফিসল ওইনা ফোঙদোকখিবা দোক্যুমেন্টসু নৎতনা পুলিস দিপার্টমেন্টকী মশক থিহন্নবা থওইনা হোৎনৈ হায়বগী মতাংদা ৱাকৎলি। ইংলিশ পাউচে অসিনা ঙরাং (জুলাই ১৪, ২০২০)গী এদিসনদা টি ঐচ বৃন্দাগী এন্নেক্সর য়াওরগা পূন্না লামায়-৪১ পানবা ‘এফিদেবিট-ইন-ওপোজিসন’ অসিনা পল্লকপা ৱাফমশিং ‘বৃন্দা এক্সপোজেজ হায় প্রোফাইল পর্সন্স নেক্সস ৱিট দ্রগ কিংপিন লুখোসৈ, সেজ সী এম ষ্ট্রোংলি প্রেসরাইজ হার টু রিলিজ দি দ্রগ কিংপিন, ৱার ওন দ্রগস ওনলি এন আইৱাশ, সেজ এদিসনেল এস পি’ হায়বা বেন্নর হেদলাইনগী মখাদা এফিদেবিট অসিগী ৱারোলশিং ফোঙদোক্লুবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, টি ঐচ বৃন্দানা ফাইল তৌরকখিবা এফিদেবিট-ইন-ওপোজিসন অসিগা মরী লৈনরিবা ক্রিমিনেল কন্টেম্পট কেস অদুগী নম্বরনা- ১ ওফ ২০২০নি। কেস অসি স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুরগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট অমগী মতুংইন্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা টি ঐচ বৃন্দাগী মথক্তা সু-মোতুদা লৌখৎখিবনি। অদুগা হয়েংগী দিভিজন বেঞ্চ অসিমক্তদা মসিগী ৱায়েল চথদুনা লাকখিবনি। থা অসিগী ১৩দা কোর্টনা পীখিবা ওর্দরদা কেস অসিদা অনৌবা রেস্পোন্দেন্ট ৩সু নৌনা কোনশিনখিবগা লোয়ননা কোর্ট কারক্ত্রিবা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১২ অমসুং টি ঐচ বৃন্দা মশামক থা অসিগী ২৩দা কারক্নবা খঙহনখিবনি। লোয়ননা ঙরাং পুলিস দিপার্টমেন্টকী পব্লিক রিলেসন্স ওফিসর (পি আর ও)না থোরকখিবা চেরোল অমদসু লুখোসৈ জৌগী কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর (আই ও)দা নাকল অমত্তদগী প্রেসর তৌরকখিবা লৈতে। ইংলিশ পাউচে অসিনা ফোঙলিবা পাউ অসি য়ূম্ফম য়াওদবা অমসুং পাউচে অসিদা পল্লিবা পুলিস ওফিসরশিংবু লান্না উহন্দুনা মীংচৎ থিহন্ননবা হোৎনবনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

ꯑꯋꯥꯕ / অৱাবা ফোঙদোকপা



খুরাই সোসল য়ুথ ক্লব (কে এস ৱাই সী) গী মেম্বর ওইবতা নত্তনা কে এস ৱাই সীগী থবক থৌরম পূম্নমক্তা অচৌবা থৌদাং লৌবিরম্বা **শ্রী নোংথোম্বম জোনসন এলিয়জ বোইনা** মনুং মতম চাদনা ইখঙ-খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিদা কে এস ৱাই সীগী মেম্বরশিংনা মিনট ১ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না লৈখিদবা অসিদা কে এস ৱাই সীগী ওইনা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অচৌবা অহাংবা অমা ওইদুনা লৈহৌরগনি। লৈখিদ্রবা মেম্বর অসিগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু কে এস ৱাই সীনা শরুক য়াজরি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায় মীরেন্না মপুগী মকাদা ঈংনা-চিক্না লৈহনবীয়ু হায়না মপু মাগী মফমদা থৌনিজরি।

Sd/- **Secretary**
Khurai Social Youth Club (KSYC)

HL-P/7341/16